# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, DECEMBER 03, 2018 PAGE 7



*ফিফা য়ু–১৭ ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ডন বোল অমসুং প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা পুন্না ফংবা ঙমখ্রবী স্পেনগী শান্নরোই ক্লাউদিয়া পিনা*



*ইন্টরনেসনেল এসোসিয়েসন ওফ অল্ট্রা রনিং ২৪ অৱার এসিয়া এন্দ ওসিনিয়া চেম্পিয়ন্সিপ্তা অহুমশুবা তাদুনা অহানবা মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী উল্লাস নরায়ন*

## স্পেননা মোক্সিকোবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা ফিফা য়ু–১৭ ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী অহানবা টাইটল ফংখ্রে

*মোন্টেভিদিও, দিসেম্বর ০২ঃ*

উরুগ্বেনা য়ুম্বু ওইদুনা মমাঙ থাগী ১৩ দগী চথরকপা ফিফা য়ু–১৭ ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্পেননা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল ফংখ্রে।

পনবা য়াবদি ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপকী মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা স্পেননা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা মেক্সিকোনা কানাদাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি।

ঙসি উরুগ্বেগী কোনুং মোন্টেভিদিওদা লৈবা ইষ্টদিও চারুৱাদা স্পেন অমসুং মেক্সিকোনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌবা ঙমখি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ক্লাউদি পিনানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ক্লাউদি পিনানা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিহনখি।

শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দেনিস কাষ্ট্রোনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু স্পেননা মেক্সিকোবু ২–১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌবা ঙমখ্রবসু মেক্সিকোগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনসু শোথখিবা পাঞ্জল অদু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা হন্দাকপা ঙমখিদবদগী ফাইনেল মেটচ অদু স্পেননা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা ন্যু জিলেন্দনা কানাদাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা ফংখি। ন্যু জিলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী অহানবা অমসুং ১৩শুবা মিনটতা গ্রেস ৱিজন্যুস্কিনা চনবা ঙমখি। কানাদাগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা লারা কাজান্দজিয়াননা চনবা ঙমখি।

ফিফা য়ু–১৭ ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট অমসুং গোল্ডন বোলগী মনা স্পেনগী মায়কৈদগী ফাইনেলদা পাঞ্জল অনী চনখিবা ক্লাউদি পিনানা ফংখি। অদুগা গোল্ডন বুটকী মনানা ঘানাগী শান্নরোই মুকারামা অব্দুলাইনা পাঞ্জল ৭ চন্দুনা লৌবা ঙমখি।



*ফিফা য়ু–১৭ ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখ্রবা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা উৎপা*

## ইন্দিয়ানা বেলজিয়মগা ২–২ দা দ্রো চৎখ্রবসু পুলগী মকোক্তা লৈরি, কানাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকা ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০২ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল সিগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা বেলজিয়মগা পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রবসু পুলগী মকোক্তা লৈরি। পুল অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা কানাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকাসু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়মনা ঙসি শান্নখিবা পুল ‘সি’ গী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৮শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোই আলেকজেন্দর হেনদ্রিক্সনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দাক্নবা হোৎনরকখ্রবসু বেলজিয়মগী দিফেন্দরশিংনা খুদোংচাবা পীখিদবদগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা বেলজিয়মনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা বেলজিয়মগী মায়কৈদা বোল তোয়না–তোয়না পুশিন্দুনা এটেক চথরকখি।

শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা হর্মনপ্রিত সিংহনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা সিমরনজিৎ সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বেলজিয়মবু ২–১ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই সাইমোন গৌগনার্দনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ২–২ দা মান্নরগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

পুল অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি কানাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকানা শান্নখিবদা টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নখিদে। মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কোবাইল টুলিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা কানাদানা ফংখিবা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন স্কোট্ট টুপ্পরনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বেলজিয়মগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অমসুং অস্মিতা চালিহনা টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জরগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ০২ঃ*

মহারাষ্ট্রগী কোনুং মুম্বাইদা চথরকপা টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অমসুং অস্মিতা চালিহনা লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা জুনিয়র বেদমিন্টন শান্নরোই লক্ষ্য সেননা ঙসি শান্নখিবা টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী কুনলাভাট ভিটিদসর্নবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি ঙসি লক্ষ্য সেননা ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্বা থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্ননা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা থাইলেন্দগী কুনলাভুটকী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখ্রবসু ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা গেম অদু ২১–১৫ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্নবু ২১–১০ দা য়াম্না লায়না থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী লম্বা তৌনখি। মদুদা অস্মিতা চালিহনা ভ্রুসালি গুম্মাদিবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা অসমিতানা ভ্রুসালিবু ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা অস্মিতা চালিহনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ভ্রুসালি গুম্মাদিবু ২১–১৩ দা থোইরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী পেয়র নিপিটফোন ফুৱাংফুৱাপেট অমসুং সাভিত্রি অমিত্রপাইনা হোং কোংগী পেয়র চাং টাক চিং অমসুং এনজি ৱিং য়ুংবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৩, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।



*লক্ষ্য সেন*

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯

## এটলেটিকো দি কোলকটানা চেন্নাইন এফসিবু ৩–২ দা থোইখ্রে

*জমসেদপুর, দিসেম্বর ০২ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোই মানুয়েল লানজারোটনা পেনাল্টিদা চনখিবা পাঞ্জল অনীনা চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইনদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা এটলেটিকো দি কোলকটা অমসুং চেন্নাইন এফসিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথুদুনা লাকখি।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা এটিকেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জয়েস রানেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা অকনবা প্রেসর পীবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা চথরকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা মণিপুর মচা থোই সিংহনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।


মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা এটিকেনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই মানুয়েল লানজারোটনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা এটিকেনা চেন্নাইন এফসিবু ২–১ দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা এটিকেনা মেটচ অদুদা অনীশুবা পেনাল্টি ফংখি।

পেনাল্টি অদুসু টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা মানুয়েল লানজারোটনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা চেন্নাইন এফসিবু ৩–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট অনীদা ঙাইরবা মতমদা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ইসাক ভনমাসোমানা পাঞ্জল অমা হন্দাকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু এটিকেনা মখোয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

এটিকেনা ঙসিগী মেটচ অসি মায় পাকখিবদগী হান্না লৈরম্বা ৬শুবা পোজিসনদগী থাক অমা হাইগৎলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদা দিল্লি দাইনামোস এফসি অমসুং মুম্বাই সিটি এফসি থেংনরগনি।



*এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা মেটচ পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং রিয়েল বেটিস মায় পাকখ্রে ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা চেলসিনা ফুলহামবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মাদ্রিদ। লন্দন, দিসেম্বর ০২ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাদা মকোক থোংবা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদকা লোয়ননা রিয়েল বেটিস মায় পাকখ্রে, ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা চেলসিনা ফুলহামবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদনা ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা ৮শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই দানিয়েল ৱাসনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা রিয়েল মাদ্রিদনা মখোয়বু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লৈখি। মেটচ লোইগদবা মিনট ৭ ৱাংলিঙৈদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা লুকাস ভাজক্বেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না ভেলেন্সিয়াবু ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়েল বেটিসনা রিয়েল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি। রিয়েল বেটিসকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা জুনিয়র ফির্পোনা চনবা ঙমখিবনি।

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা চেলসিনা ফুলহামবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেদ্রোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা য়াম্না ঙন্না ফুলহামবু ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকপা এটেক অমদা রুবেন লোফটসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–০ দা মায় পাকখি।



*রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই অনীনা বোল ফংননবা হোৎনবা*

## অমিট ধাঙ্কর অমসুং মোসম খাত্রিনা কেজি ৭৪ অমদি ৯৭গী গোল্ড লৌখ্রে

*গোন্দা (য়ুপি), দিসেম্বর ০২ঃ*

উত্তর প্রদেশকী সিটি গোন্দাদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র নেসনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অমিত ধাঙ্কর অমসুং মোসম খাত্রিনা কেজি ৭৪ অমদি ৯৭ গী টাইটল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৭৪ গী ফ্রি ষ্টাইল কম্পিটিসনগী ফাইনেল বাওটতা অমিত ধাঙ্করনা এসএসসিবিগী রেষ্টলর ভিনোদপু পোইন্ট ৫–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই মশাগী চহী ৩১ শুরবা অমিত ধাঙ্কর এসিয়ান অমসুং কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা রেষ্টলরনি। ঙসি মহাক্না কেজি ৭৪ গী কেটেগোরিদা টাইটল লৌখিবা অসি থারগা মহাক্কী কেরিয়রগী ৭লকশুবা নেসনেল টাইটল ওইরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৯৭কী ফাইনেল বাওটতা হরিয়ানাগী রেষ্টলর মোসম খাত্রিনা সত্যৱার্ট কাদিয়ানবু মায়থিবা পীরম্লগা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

সেনিয়র নেসনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৬৫কী ফাইনেলদা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী হারফুল গুলিয়ানা হরিয়াগী রেষ্টলর প্রভিনবু পোইন্ট ১০–৪ দা মায়থিবা পীরক্লগা টাইটল লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৮৬কী ফাইনেল বাওটতা পরভিননা পৱন কুমারবু পোইন্ট ৫–২ দা থোইরম্লগা গোল্ড মেডল লৌখি। কেটেগোরি অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে–ওফ মেটচতা পুনিয়ানা হিটেসপু পোইন্ট ১১–০ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা ফংবা ঙমখি।

সেনিয়র নেসনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৮৬কী ফাইনেল বাওটতা দিপক পুনিয়ানা টাইটল লৌবা ঙমখি।

চথরিবা সেনিয়র নেসনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা রেলৱেজনা পোইন্ট ১৬৩ ফংদুনা টিম টাইটল লৌবা ঙমখি। এসএসসিবিনা পোইন্ট ১১৩ ফংলগা অনীশুবা অদুগা হরিয়ানানা পোইন্ট ৯৮ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

